# মরিশুবা পন্দুপ

## মীনকেতনগী শৈরেংদা ফোক নেরেটিভস

# মরিশুবা পন্দুপ
# মীনকেতনগী শৈরেংদা ফোক নেরেটিভস

## ৪.১. মীনকেতনগী শৈরেং

অশাংবম মীনকেতন অনৌবা মনিপুরী সাহিত্যগী শকনাইরবা কবি অমনি। মহাক্না মণিপুরী সাহিত্যদা শৈরেংগী লাইরিক কয়া খুদোল তৌবিরম্মী। অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী খুৎমাবশিংগী মরক্তা মহাক্কী মফম চাউনা কন্দুনা লৈরিবনি। কবি মশামক্কী খুৎইদা মশানা অসুন্না ফোঙদোকচৈ -

চৎলে নংসু অশৈবা কৌবা নোংসিদা
ইমারোন্না য়াওনঙৈ য়াকৈ থৌগন্মিন্নবা
ঐখোয় মঙাদংদদা নখোয় অহুম চৎলবা
অমদৌরে মাঙখরে চৈজিং থারম চীংনুংদা
ইদোম তরক য়ুংহৌবা চৈজিং ঐখোয় মঙাদা। [১]

মথক্তা পল্লিবা পরেং খরা অসিনা কবি মীনকেতন মণিপুরী অনৌবা সাহিত্যগী চৈজিং খুৎমাশিংদগী নাইতোম চিৎথহৌরবা চেক্লাগুম্না উহল্লি । থৱায়না পোম্থা ওইখ্রবা মণিপুরী অনৌবা সাহিত্যগী খুৎমাবশিংগী তৌবিরম্বা অবদানশিংনা তৎতনা নীংশিংহল্লি শামান

১. অশাংবম মীনকেতন সিংহ, সনারিক পরেং, ইম্ফাল,১৯৮১, লা: ৫২

লেংমান্ননা সাহিত্যগী সেবা তৌরিঙৈগী মতমবু । অসিগুম্বা নিংঙমদবা শৈথাসি কবিগী পুন্সিগী য়াচংলমদাই মতমদা শৈশকখিবা শৈরোলনি । কবিনা মণিপুরী কাব্যলৈকোনদা খুদোল তমলম্বা শৈরেংগী লাইরিকশিং কয়ামরোম লৈরি । মীনকেতনগী শৈরেংদা মণিপুরী জাতিগী ,নাৎকী লমদা মনুংহুনজিন্দুনা উবা ঙম্বা খুৎই অসিবু উরুরগা সমালোচকশিংনা অসুন্না মোত পীরি - মণিপুরী সাহিত্যদা মহাক্কী শৈরেংগী মফম য়ামনা চাউনা কন্দুনা লৈ। জাতি অসিগী নীংজবা, তুংগী আশা, থাজনবী, নাৎ, লাইনিং লাইশোন , মৈহৌরোল অমদি মথং মথং চথরক্লিবা সভ্য সমাজগী পরিংগী য়ুম্ফমদা শাগৎলকপা অমসুং মহাক্কী মতমগী মণিপুরী লোনগী সমস্যাশিংবু শীংনবা অমগা লোয়ননা ইরকপা শৈরেংদা মশা ইৎনা মরোমদোম লেপচবদা য়ান্না চীংলেম্বা অচৌবা অৱাংবা চীংগুন্না ঙান্দুনা লৈরি।[২]

## ৪.২. মীনকেতনগী শৈরেংগী মখল

অশাংবম মীনকেতন মণিপুরী সাহিত্যগী মোর্দন পেরিওর্দগী কবি অমদি অশৈবা ওইরবসু অয়াম্বা মতমদা মণিপুরীগী য়েলহৌঙৈগী সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিদা মীৎয়েং চঙশিন্দুনা অনৌবা মওংদা শৈশকখিবা কবি অমনি । মমালোন অমসুং মজাতিগী অরিবা সংস্কৃতিবু নুংশিজবা, লুনা নীংজবা ,মজাতিগী অরিবা শৈরেংগী পরম্পরাদা খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা নৈনরকখিবা নৈনরোয় অমসুনি । মহাক্কী শৈরেং লাইরিক অয়াম্বদা মশাগী খোলহেক শৈশক শৈদাদা ইরকপগি হৈনজবি লৈ অসিতসু নত্তনা শৈরেংসিদা নেরেটিভ পোয়েমগী শৈলীদা ইবা শৈরেং কয়ামরোমসু লৈরি । অশাংবম মীনকেতনগী শৈরেং লাইরিকশিং অয়াম্বা মোর্দন সেন্সিবিলিতিদগী লাপথোকনা লৈবা , মতমগী সমাজ অমসুং সংস্কৃতিগী মমি থোয়না

২. প্রো: নোমাইথেম তোম্বী, লোংজম জয়চন্দ্র, কবি অশাংবম মীনকেতন সিংহ, ১০০ শুবা মপোক কুমওন্দা কচ্চবা খুদোল , ইম্ফাল, ২০০৮, লা: ৬৬

তাদবা মওংগী শৈরেংশিংনা মশিং য়াম্না লৈবা থেংনৈ । মীনকেতননা মণিপুরী সাহিত্যদা খুদোল তমলম্বা শৈরেংগী লাইরিকশিং থিসিস অসিগী অহানবা পন্দুপ ৱাহৌদোকতা পনজখরে । মহাক্কী শৈরেং লাইরিকশিংদা ফোক নেরেটিভসগী মচাকশিং মরাং কায়না শীজিন্নদুনা ইবা লাইরিকশিংদি নেরেটিভ পোয়েমগী ওইবা শৈরেংশিংদনি । মীনকেতনগী শৈরেংদা ফোক নেরেটিভসগী মচলশিং অসি কয়া য়ামনা হৈশিংনা শৈরেংশিং অসিদা শীজিন্নবগে অমদি য়াওশিন্দুনা লৈবগে হায়বসি নৈনদুনা তাকপদা খুদোংচানবগী দমক মীনকেতনগী শৈরেংশিংগী মখল খায়দোকতুনা পীরি -

(১) অতেনবা শৈরেং

(২) অশাংবা শৈরেং (ৱারীপরিং য়াওবা)

## ৪.২.১. অতেনবা শৈরেং

মীনকেতনগী অতেনবা শৈরেং লাইরিকশিং অসিবু থিম , হীরম, অমসুং খুৎইগী মতুং ইন্না অমুক অসুম্না মখল খায়দোকতুনা পীরি -

(ক) মরৈবাক মজাতি, পোক্লফম লমদমবু নুংশিজবা ফোঙদোক্তুনা ইবা শৈরেংশিং।

(খ) নোংদোলথক্কী মঙালবু কৌথদুনা মালেমসিদা খোঙদাবিরক্লবা হায়জবা মত্তংগী শৈরেংশিং

(গ) তুংগী মীরোলদা পাউতাক পীবা তুংগী লমজিং ওইবা য়াবা শৈরেংশিং ।

(ঘ) নুপী ওইবগী মরমদা ইবা শৈরেংশিং ।

(ঙ) তেংথা নাওইবগী (এলেজি) ওইবা শৈরেংশিং ।

**(ক) মরৈবাক মজাতি, পোক্লফম লমদমবু নুংশিজবা ফোঙদোক্লুনা ইবা শৈরেংশিং-**

মখল অসিগী কাখল মনুংদা থম্বা য়াবা শৈরেং লাইরিকশিংদি অশৈবগী শৈরোই, সনরিক পরেং, য়াচঙ শৈরোল খম্মিন তেংথা অসিনচিংবনি ।

মরৈবাক নীংবগী শৈরেং অসিদা অমুক কবি মীনকেতনগী শৈরেংগী খুৎই খুৎথা য়েংলুরগা অমুক অনী থোক্লা খায়দোকপা য়াই । অমনা পোক্লফম লমদম মণিপুরবু নুংশিজবা, অতোপ্পা অমনা মরৈবাক ভারত ভূমিবু নুংশিজবনি । ভারত ভূমিবু নিংজবা অমসুং ভারত মচা অমা ওইবদগী পূক্নিং চাওথোকচনিংঙা ওইবা ৱাখলদা ভারত ইমাগী মফমদা চঙজবগী মওংদা কবিনা শৈথারি -

গায়ত্রী খোম্থাংনখিবা পলেম নঙ্গী তিয়ানি,
সামগান্না নিনখিবদো পলেম নঙ্গী মালংনি
অবদান্নি পলেম নঙ্গী শান্তিমন্ত্র অহিংসা
পীনবনি পলেম নংনা বিশ্বজগত্তা দীক্ষা
জৈমা ভারত - ঈশ্বরি,
জৈমা পলেম অপোকপি ,
জৈমা জৈ । [৩]

৩. অশাংবম মীনকেতন সিংহ, অশৈবগী শৈরোল , ইম্ফাল, ১৯৭৭ ,লা: ৫৮

মথংদা অমুক পোক্লফম লমদমবু নুংশিজরুবনা মমা লৈবাক মণিপুরবু য়েংখি , য়েংখিবদা মনুংশি হায়দুনা মচা অমা ওইনা মমা লৈবাকপু থাগৎতুনা অসুন্না শৈথারি -

নুংশি নুংশি লম্নুংশি
লোইবী চীংনা কোনবরম
কোলোয়নুংশি মণিপুর
চীংদা য়েংলুই মনুংশি
তমদা য়েংই মনুংশি
নতু তুবূম খুদিংদা
তাজৈ থৱায় অপোকপী ,
নুংশি নুংশি পোক্লরম
লোইবী চীংনা কোনবরম
কোলোয় নুংশি মণিপুর।"[৪]

**(খ) নোংদোলথক্কী মঙালবু কৌথদুনা মালেমসিদা খোঙদাবিরক্কবা হায়জবা মত্তংগী শৈরেংদি-**

সনরিকপরেং ,বিদায় আশীর্ব্বাদ অসিনচিংবনি । মখল অসিগী শৈরেংশিংদা তোঙান তোঙানবা থৌদোকতা স্বর্গগী অশেংবা মঙালবু কৌথদুনা মালেমদা খোঙদাবিনবা হায়বা শৈরেংশিংনা

৪. অশাংবম মীনকেতন সিংহ, য়াচঙ শৈরোল খম্মিন তেংথা , ইম্ফাল , ১৯৯৫, লা: ১

মপুংনি। য়াকৈপরেংগী শৈরেংখরা পঞ্জরবদা নোংগুমলকখোদা, ঈচাউনি অমা হায়বনচিংবসি পনবা য়াই। নোংগুমলকখোদা শৈরেং অসিদা কবিনা অশৈবা পুন্নমক্কী য়াম্বা অশৈবা অমবু য়াকায়হন্দুনা মণিপুরগী ফজববু শৈথাদুনা ইরকখো হায়না কৌথবা শৈরেংনি।

য়াম্বা অশৈবা
চৈজিং খূমাবা
নোংগূন্নিঙাই ওইদবরা
নোংগূন্নকখোদা
হাদা সনাপূঁঙয়োল
পলেম নুংশিকোলোয়নু
তেংথানিঙায় ওইদবরা
তেংথারখোদা ।[৫]

## (গ) তুংগী মীরোলদা পাউতাক পীবা, তুংগী লমজিং ওইবা য়াবা শৈরেংশিং -

মখল অসিগী মনুংচনবা শৈরেংশিংদি বিদায় আশীর্ব্বাদ, সনরিক পরেং অসিনচিংবা পনবা য়াই।

বিদায় আর্শীব্বাদ হায়রিবা শৈরেং লাইরিক অসিদা য়াওরিবা অয়াম্বা শৈরেংশিং অসি কবি মহাক্কী পুন্সিদা শাংনা পুন্সিরকপসিদা থেংনখিবা, তানশিনখিবা লৌশিং জ্ঞান ময়ামবু তুংগী

---

৫. অশাংবম মীনকেতন সিংহ, ওব. সিট. লা: ৯২

মিরোলশিংনা খঙজহৌনবা আশীর্ব্বাদকা লোয়ননা পাউতাক পীদুনা ইবা শৈরেংশিংনা অয়াম্বনি। তাইবঙপান অসিদগী হল্লনি খল্লুবদা কবিগী থম্মোয়দা ফাওরকখিবা মপাউখোল অসি অসুন্না শৈথাখি-

পুনশি কোরৌ তল্লে য়াচঙ হল্লে চীংগী নল্লোল,
পোম্বী থৱায়য়েংলে হঙ্গৎ তাম্মৌরবা মকোল।
খোয়জংদরে হরাউ তয়াম তাইবংকোনগী অমুক ,
খাঙলে ৱানা পাইনীংবনা শাগৎ তুফাৎ তন মুক।[৬]

কবিগী অসিগুম্বা ৱাখলদগী থোরকখিবা পাউতাকশিং অসি বেদ , পুরান, উপনিষদ , গীতানচিংবা বৈষ্ণব ফিলোসোফিগি লাইরিকশিং পারুবনা মদুদগী ফঙলকখিবা লৌশিংগী মঙাল , ৱাখলদা ফাওরকখিবা ইথিল কয়াবু মীনকেতননা তুংগী মীরোলশিংদা পাউতাক ওইনা পাউজেল পীবিরম্বনি।

## (ঘ) **নুপী ওইবগী মরমদা ইবা শৈরেংশিং** -

মখল অসিগী মনুংচনবা শৈরেংশিংদি অশৈবগী শৈরোই, সনরিক পরেংদা য়াওরিবা শৈরেং খরনি । অশাংবম মীনকেতননা নুপী হায়বা অসি তাইবঙ মপুগী মঙলালগী মশক ওইনা পুথোকলিবনি । নুপী অসি জগৎকী ইমানি , পুন্নমক্কী হৌরকফমনি, তাইবঙ শেম্বা মপুগী মঙালবু মশক খঙলবা, মশানা মশাবু মশক খঙবা নুপী অদু ইমানি। মহৌশাগী লেপ্তবা

৬. অশাংবম মীনকেতন সিংহ, বিদায় আশীর্ব্বাদ, ইম্ফাল, ১৯৭৯, লা: ৩

খোঙচৎ অসিদা শক্তীগী মশক ওইরবী তাইবঙ মৈরিং মৈ ওইনা নুপীবু অসুন্না শৈথাখি-

তাইবং মৈরিংশী ওইনা হেল্লিবি
তাইবং লিহুইনি ওইনা থুপ্লিবি,
জগৎপোকপী ইমা নঙ্গী জৈ!
পলেম নঙ্গী তমদনি য়াইফজবা থৱায়না
হেঞ্জে নংদি লিনা নৌ শিদবীনি মিংথোন্না
খুরুমজরি ইকোক নোল জগৎপোকপি অপোকপি
শক্তি ঙসি নঙ্গী জৈ! [৭]

(গ) **তেংথা নাওবগী (এলেজি) ওইবা শৈরেংশিং** -

অশৈবগী শৈরোই , সনরিক পরেং, বিদায় আশীর্ব্বাদ , অসিনিচংবনি ।
কবি মীনকেতননা মীওইবগী পুন্সিদা অৱাবা অমসুং নুংঙাইবা অসি অমগা অমগা তুং ইন্না চৎলিবনি। অদুগা নুংঙাইবগী শরুকতগী অৱাবগী শরুকনা হেল্লি হায়না ফোঙদোকই। মীওইবনা ফনা নুঙাইরবসু, ফনা ৱারবসু অশিবগী খয়াৎতগী কৈদৌঙৈদসু নানথোকপা ঙমদে । পোকপু পোকলবদি তই বঙ থাদোকপা তাবনি হায়বদুনা কবিগী থম্মোয়দা ফাওরকখিবা ৱাখল্লোল অদু শৈরেং ওইনা অসুন্না ফোঙদোকখি-

৭. অশাংবম মীনকেতন সিংহ, ওব. সিট. লা: ৬২

পুনশি কোরৌ তম্লে য়াচঙ হুল্লে চীংগী নল্লোল,
পোম্বী থৱায় য়েংলে হঙ্গৎ তাঙ্গৌরবা মকোল ।
খাঙলে ৱানা পাইনীংবনা শাগনতুফাং তন মুক ।[৮]

মখাতানা অমুক কবিগী তেংথা শৈরেংশিংদা উবা ফংইবসি মাগী মরী মতাশিংনা লৈখিদবদা নীংশিংদুনা শকপা তেংথারোল, খ্বাইরকপম চাউবা ,ডা: কমল লৈতবদা , মণিপুরগী গবনর্ব আকবর হায়দরি লৈতবা, পণ্ডিত নেহরুনা লৈতবা মতমদা পোকখিবা, অশৈবগী থম্মোয়দা ফাওখিবা অৱাবগী মশক অদু তেংথোরোল শৈরেং ওইনা ইথোরকখি। কবি মীনকেতনগী তেংথারোলগী শৈরেং অমা লৌখৎতুনা য়েংবা য়াই -

কপ্পু ইমা কংলৈপূং,
কল্সি পেন্না ঙসিদি।
পি মিৎকী পী ,
শিঙ্খৌ শিঙ্খনবা পোকপনি।

.......................

লাইজ ৱাৎপা লৈফমদো কৌনবদাই লৈকংলা ,
পিরাং কংবা থম্মোইদি কৌরোইদবা লৈকংলা!
শিঙ্খৌ শিঙ্খৌ মিৎকী পি থম্মোই মাগী ধম্মনি,
পুন্য মাগী মশক্নি।[৯]

---

৮. ইবিদ, লা: ৩

৯. অশাংবম মীনকেতন সিংহ, ওব. সিট. লা: ৯

### ৪.২.২. অশাংবা শৈরেং

অশাংবম মীনকেতনগী অশাংবা শৈরেংগী মনুং চনবা শৈরেংদি এপিক স্টাইলদা ইবা শৈরেংশিংনা মপুংনি ।এপিক স্টাইলদা ইবা শৈরেংশিংদি - **অশৈবগী নিতাইপোদ** (১৯৭৬) অমসুং **অশৈবগী জয় ভাই** (১৯৭৮) অসিনি । লাইরিক অনী অসি খণ্ডকাব্যগী মত্তংদা শেমগৎলকপনি । হীরমনা প্রেম (নুংশিবা) হায়বসিদা কায়নবা অমসুং অৱাবনা শৈরোল ওইনা তেংথাজবনি। শন্না হায়রবদা প্রেম হায়বসিদা কবি কল্পনা শীজিন্নদুনা লেংলকপা মরীক চুল্লবা লৈপরেংনি । মীনকেতননা নুংশি নুংঙোলগী শৈরেং ইরকপদা নুপা নুপীগী নুংশিববু কয়া য়াম্না থাক ৱাংনা লৌবগে হায়বসি অইবা অমনা পীখিবা মোত অসিদগী খঙবা ঙম্মী -

> নোংবানগী চরিত্র য়েকপদা অহোবা খরা লৈজরবসু ঐখোয়গী অশৈবশিংনা তৌরম্লিবসি ইচম চম্বা ইতাউ তাউবা পোৎতি নত্তে নুংশিবগী মতাংদদি। নুংগি ওইবা আধ্যাত্মিক ওইবা লুরবা ৱাফম কয়া য়াওরিবনি। খম্বা নোংবান অনীগী ধর্ম্ম অধর্ম্মগী লাননি; পাপ পূন্য অনী থেংগায়নবনি। শেংলবা থৱায় অনীগী লুরবা মরী উৎপনি । থৱায় অমনা থৱায় অমবু ইখৌ লাংজবনি।নোংবানসু পোলোইদা মশাগী কর্ম্মগী মহয় চাজবনি।[১০]

মীনকেতনগী অশৈবগী নিতাইপোদ লাইরিক অসিদা য়াওরিবা শৈরেং- **পিয়ে থাদোই,**

---

১০. ডা: পোলেম নবচন্দ্র ( সম্পা) মীনকেতন নৈনবা ৱারেং, নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি ,ইম্ফাল , ১৯৯৭,. লা: ৮- ৯

**নুংশি ৱাখৈবা** অনী অসি প্রেমকাব্যনি । শৈরেং অনী অসি নওবা নুংশি নুংওনগী ওইবা শৈরেং অমনা **অশৈবগী জয় ভাইনি** । প্রেমকাব্য অহুমসিদা হেন্না মপূং মরৈ ফাবা, মরীক চুম্বা শৈরেংদি অকোনবগী 'অশৈবগী জয় ভাই' অসিনি নুংশি নুঙোনগী ৱানা লমায় ১৫৫ চৎলি। [১১] লাইরিক অসিগী অহৌবদা ৱাহৈ অমনীদং হায়বা মতাংদা অইবনা শৈরেং অসিবু ইখিবগী মতাংদা অসুন্না ফোঙদোকখি -

> নোংমা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুরী ডান্স একাদেমিদা কূম্মৈ অমা য়েংলুই।বেলেনি , মংশক কৌই।...অচিকপা অহিংগী ইচিক্কীকাজুম্মদা ফমদুনা পোত্থাবা মতমদা চলচ্চিত্র মতম মিত্তা হেক্ হেক ফাওরকখি - পোকখি অদুনোং ঐগী "নোংজাইঈচিক্কাজুম্মদা "কৌবা প্রেমকাব্যসি। [১২]

### ৪.৩. মীনকেতনগী শৈরেংদা ফোক নেরেটিভস

পন্দুপ অসিদা মীনকেতনগী শৈরেংগী খুৎই অমসুং খুৎফোঙদোকতা মণিপুরী ফোক নেরেটিভসগী মচলশিংবু কয়া য়ামনা য়াওশিন্দুনা লৈবগে হায়বদু পন্দুপ অসিদা নৈনদুনা তাকলি।

#### ৪.৩.১. মীনকেতনগী শৈরেংদা লেজন্দ

---

১১. প্রো.নোংমাইথেম তোম্বী, লোংজম জয়চন্দ্র, ওব.সিট. লা: ৫০

১২. আশাংবম মীনকেতন সিংহ, অশৈবগী জয় ভাই, ১৯৭৮, ইম্ফাল,

অশাংবম মীনকেতনগী সাহিত্বগী শকলোনশিংদা ৱারেং সাহিত্যগী মতৌগুন্না শৈরেংদসু ফোক নেরেটিভগী মচলশিং য়াওশিন্দুনা লৈবা থেংনৈ । নেরেটিভতা লাই তীনগী ৱারী (মিথ ) থাজ ৱারী ( লেজন্দ ) ফুংগাৱারী (ফোকটেল) নচিংবা অসি মরু ওইবা মখল ঙক্কনি । নেরেটিভগী মখলশিংগী মতাংদা মরী লৈনবা পন্দুপশিংদা নৈনখরে । মীনকেতনগী শৈরেংদা মরু ওইনা অশাংবা শৈরেংশিংদা নেরেটিভগী মখলশিংদগী থাজ ৱারীগী মচাক শিংনা মরাং কায়না শীজিন্নৈ । লাইতীনগী ৱারী অমসুং ফুংগাৱারীনচিংবগী মচাকশিং মাগী শৈরেংশিং অসিদা শীজিন্নবগী চাং অসি য়াম্না হন্থবতা নত্তনা অপৌবা মীৎয়েংদা মশিং য়ামনা লিকনা শীজিন্নৈ হায়বা য়াই । মতাং অসিদা মীনকেতনগী শৈরেংদা ফোক নেরেটিভগী মচাকশিং অসি লেজন্দদা হেন্না মরু ওইবা মীৎয়েং থম্মী । মণিপুরী চীনবুং সাহিত্যগী পুকৈদা লৈজরিবা লেজন্দশিংদগী অশাংবম মীনকেতননা পারসনেল লেজন্দগী মচাকশিং অসি মাগী শৈরেংশিং অসিদা মরাং কায়না শীজিন্নৈ । মহাক্না শৈরেংশিং অসিদা তোঙান তোঙানবা লেজন্দগী মখলশিং অদু মচেৎ তানা থুগাইরগা মহাক্কী ওইবা শৈলীদা শৈরেংগী শক্তম ওইনা শাগৎতুনা ইরকই । অসিগুম্বা মহাক্কী খুৎই অমসুং খুৎফোঙদোক অসিদা মণিপুরী লেজন্দগী ৱারীশিংগী মচাকশিং মতৌ করম্না শীজিন্নদুনা ইবগে হায়বা অসি বৈজ্ঞানিক ওইবা মত্তংদা নৈনদুনা উৎলি। মীনকেতনগী শৈরেং লাইরিকশিংদগী মণিপুরী লেজন্দগী মচাকতা শাগৎখিবা শৈরেং লাইরিকতি **অশৈবগী নিতাইপোদ** অমসুং **অশৈবগী জয় ভাই** হায়বা লাইরিক অনী অসিনি । হায়রিবা শৈরেং লাইরিক অনী অসিগী থিম অমসুং কনতেন্তদা মণিপুরী ফোক নেরেটিভগী মচাকশিংনা চুংশিন্নরগা শাগৎলকপগী মশক। হায়রিবা শৈরেং লাইরিক অনী অসিগী মশক শেমগৎলকপদা অশাংবম মীনকেতননা মণিপুরী চীনবুং ৱারীগী মচলবু করম্না শীজিন্নখিবগে হায়বসি মখাদা পুথোকতুনা নৈনরি।

## (i) অশৈবগী নিতাইপোদ (১৯৭৬) -

### (ক) পিয়ে থাদোই

' অশৈবগী নিতাইপোদ' লাইরিক অসিদা শৈরেং অনী য়াওরি। অহানবদা **পিয়ে থাদোই** অনীশুবদা **নুংশি ৱাখৈবা** অসিনী। লাইরিক অসিদা য়াওরিবা শৈরেং অনী অসি নুংশি নুংওনগী ৱারীদা য়ুম্ফম ওইরগা শাগৎলকপা প্রেমকাব্যনি। সাহিত্য সমালোচককী মীৎয়েংরোমদগী হায়রগনা খণ্ডকাব্যনি । পিয়ে থাদোই সর্গ তরেৎনা লৈতেংলবা প্রেমকাব্যনি। কাব্য অসিগী লৌথরকফম ৱারীদি **খম্বা থোইবীগী ৱারী** মণিপুরী লোক মহাকাব্যদগীনি । কবিনা খম্বা থোইবীগী ৱারীগী থৌদোক মতেক অমদা য়ুম্ফম ওইরগা শাগৎখিবা শৈরেংনি।

শৈরেং অসিগী শমলপ্পা ৱারীদি-
খোইরেনতাক্কী লময়াইদা নোংবাননা কৈ ফাবা চৎপদা পাম্বা কৈনা শোকলদুনা পুন্সিগী অরোইবা মীকুপ লাক্লবদা নোংবাননা মহাক্লা তৌখিবা অরানবা পুন্নমক খঙজখি। থাদোই মাগী দমক লঙজরুবা মরাল অদুগীদমক খম্বগী মফমদা ঙাকপিনবা চঙজখি । অসিগুম্বা থাদোই নুংশিবগী মৈচাক্লা নোংবাননা মথংগী মপোকতা চেক্লা ওইনা পোকতুনা থাদোই মীংলেনবু শোনজগে হায়না নিজখি। মসিদা খম্বনা ননীং তমজৌ হায়না য়াথং পীখিবনা নোংবানগী থৱায়না ওল্লবা চেক্লানা থাদোই মানা খম্বগী মরানয়াইদা লৈখ্রবা মতমদা নুমিৎ খুদিংগী পাইরক্তুনা থাদোইবু য়েংজে। মতুংদা নোংমা থাদোইনা পুন্সি লোমখ্রবদা নোংবানগী থৱায়না ওনখিবা চেক্লানা থম্মোয় শোক্লা কপচখি । থাদোইবু কায়নবগী মৈচাক্লা ঙাওরদুনা

মালেম থুংনা কোইপাই কোইপাই পাইদুনা থাদোইবু থিজৈ। মঙলৈবাকতা ফাওবা চৎখিদুনা থাদোইবু থিজরুই। অদুগা মালেমদা লৈরিবা পোৎ খুদিংমকপু থোদোই ঙক্তা ওইনা উরকখি।।

অসিগুম্লবা মণিপুরী লোক মহাকাব্যগী শৃঙ্গারদা করুন রসকী থৌদোক ৱাথোক অসিদা যুম্ফম ওইরগা মীনকেতননা ' **পিয়ে থাদোই**' শৈরেং অসি মাগী হৈশিংলবা থোইদোক হেনদোকপা কল্পনা অমসুং লোন শীজিন্নদুনা অনৌবা খুৎশেমগী পোৎথোক অমা ওইনা মণিপুরী সাহিত্যদা খুদোল তমলকখি। কবিগী খুৎফোঙদোক অসি মীওইবগী থৱায় (আত্মা) অসি শিবা নাইদে অমুক হন্না পোকই হায়বা বৈদিক ফিলোসোফিরোমদা য়াম্না নকশিল্লি।। প্রেমকাব্য অসিদা থোইবীবু খমথেংনা নুংশিরুবনা মরম ওইদুনা খোইরেন তাক্তা পাম্বা কৈগী খয়াত্তা থৱায় থাখ্রবা নোংবানগী আত্মানা পিথাদোই চেক্লা ওনদুনা নোংদোন অতিয়াদা পাইবা চরিত্র অমা ওইনা য়েকলকই। শম্না হায়রবদা নোংবানবু পিথাদোই চেক্লা ওইনা ওহ্লোরকপনি। মণিপুরীগী খম্বা থোইবীগী ৱারীদদি নোংবানগী চরিত্রসি তুকৎচনিঙাই (বিভৎস রস ) ওইবা রসনা কুয়োম ওইরগা শেমই। নোংবাননা থোইবীবু তালোইশিংদা চন্নবগী লৌনম কয়া তৌই। খম্ববু লমজেন চেনবদা , শামু খোঙয়েৎতা , কাও ফাবদা, কৈ ফাবদা লৌরোন কয়া শিন্দুনা হাৎনবা হোৎনৈ । অদুবু খম্বগী শিংথানিঙাই ওইবা গুণকয়া, ধর্ম কায়দবা, অচুম্বা লমচৎ চৎপা অদুনা পোলোয়দা খম্বনা জয় ওইখি। অশাংবম মীনকেতননা শৈরেং অসিদা মহাক্কী কল্পনানা খম্বগী থম্মোয়দা চেল্লিবা থোইবীবু নুংশিবগী মশক অদুদগী নোংবানগী থম্মোয়দা লৈরিবা থোইবীবু নুংশিবগী চাং অদুনা মহেল্লি অমসুং শিংথানিঙাই ওই হায়না লৌই। রসরোমদা হায়রগা বিপ্রলম্ভ শৃঙ্গারদা করুণগী মশক অদু ময়েক শেংনা উৎলকপা ওইনা তৌই। পনবা য়াবদি খম্বা থোইবীগী ৱারীদি পারসনেল লেজন্দগী মশকনি। কবিনা মাগী কাব্যসিগী মশক শেমগৎলকপদা পারসনেল লেজন্দদা **ইটিওলোজিকেল লেজন্দগী** মচল হাপচিন্দুনা য়াম্না ফজবা কল্পনা অমগা লোয়ননা কাব্যসি শাগৎলি । মসিদা

মরু ওইনা উবা ফংইবসি নুংশিবগী মশক মগুণ অমুসং থাক উৎপগা লোয়ননা চরিত্রগী মশক মত্তং ওস্লোকপা হায়বদি ত্রান্সফরমেসনগী (Transformation) হৈশিংলবা শৈলী অসিনী।পারসনেল লেজন্দগী ৱারীদদি হায়রিবা ত্রান্সফরমেসনগী মশক অসি উবা ফংদে। শৈরেং অসিদা কবিনা নোংবানগী আত্মনা ওল্লিবা পি থাদোই চেক্লা অসি মশাগী মপোক লাংলোন মশক খণ্ডবা চেক্লানি হায়না তাকপগা লোয়ননা নোংবাননা চেক্লা ওইনা পোকলিবা অমসুং মালেম শিনবা থুংনা কোয়পাই পাইদুনা থাদোই থাদোই হায়না ইখৌ লাংনা কৌজরিবা অসি কাউবা ঙমজদ্রবা থোইবী মশুংলাংগী দমক্তনি হায়দুনা শৈথারিবা অসিদা Transformation গী মশক অসি উবা ফংই। মখাতানা অমুক প্রেমকাব্য অসিদা য়াওরিবা নুংশিনুংওনগী ৱারী অসিবু ফোকলোরগী নৈনমীৎয়েংরোমদা চঙশিন্দুনা মসিদা য়াওরিবা মোতিফশিং পুথোকতুনা য়েংবা য়াই -

খোইরেনতাক্কী লময়াইদা পান্না কৈগী খয়াত্তা শিরবা নোংবানগী থৱায়না থোইবীগী নুংশিববু কাউঙমদদুনা পি থাদোই চেক্লা ওন্না মলেম থুংনা পাইদুনা নুংশিবগী মপাউখোল তমলিবা অসিদা D 150. Transformation man to bird [১৩] হায়রিবা মোতিফ অসিগী মান্নবা মশক উবা ফংই । ৱাফম অসিগা মরী লৈননা লাইরিকসিদা চান্নবা মত্তং অমত্তং লৌখৎতুনা পীরি -

মহাক থংনি ঐহাক্লা চেক্লা ওইনা পোক্লকপা

---

১৩. S. Thompson. Motif Index of Folk Literature :a classification of narrative elements *in folktales, ballads, myths, fables, medieval romances, exempla, fabliaux,* jest-books, and local legends. Revised and enlarged edition,Indiana university press, 1955-58, **(Internet)**

মশুংলাংনি ঐহাক্লা মালেম থুংনা কোইরিবা ।
চেক্লা ইপোক য়াম্লাক্লে নুংশি মাসু মমখরে ,
থম্মোয় মানা অদুবু কাউসি কৌবা মঙমদ্রে। [১৪]

নোংবাননা মাগী পুন্সিগী হিংলিঙৈ মতমদা থোইবীবু নুংশিবনা মরম ওইদুনা ধর্ম অধর্ম মশক খঙদনা খম্ববু লমজেনদা, শামু খোঙয়েৎতা, কাও ফাবদা , কৈ ফাবদা হাৎনবা হোৎনখিবা অসি থাদোই মাতবু নুংশিরুবদগী লঙজখিবা মরালনি হায়বা ৱাখল অসি T 15. Love at first sight[১৫] হায়বা মোতিফকী মশকনি । ৱাফম অসিবু শৈরেং অসিদা নোংবান্না খম্বদা অসুন্না ফোঙদোরকখি -

| | |
|---|---|
| অপাম্বনা মিকারবা | খঙদে অচুম অরাল, |
| মিহৌবনা লায়চুরবা | খায়দে অমম -অঙাল। |
| অচুম চৎপা অপঙবনি | লৌনৈ পাপকী কোন্দা, |
| মাঙজরগে শীঞ্জবনি | তাইবং মালংকোন্দা।[১৬] |

মতুংদা ধর্ম কায়খিবনা মরম ওইদুনা নোংবাননা খোইরেন তাক্তা পাম্বা কৈনা শোকলবদা পুন্সিগী অরোইবা মতমদা মাগী থৱায়না পিথাদোই চেক্লা ওন্দুনা মথংগী মপোক লাংওন্দা পোকতুনা থাদোই মিংলোনবু শোনজরগে হায়না খম্বগী মফমদা নিজখিবা মতাং অসিদা

১৪. অশাংবম মীনকেতন সিংহ, অশৈবগী নিতাইপোদ , ইম্ফাল ,১৯৯৮ লা: ১

১৫. ইবিদ .(Internet)

১৬. অশাংবম মীনকেতন সিংহ,ওব.সিট , লা: ১২

D 521. Transformation through wish[১৭] হায়রিবা মোতিফকী মশক অসি শৈরেং অসিদা উবা ফংই। লাইরিকসিদা কবিনা শৈথারিবা শৈথারোল মতেং অমতং মতাং চানা পল্লবদা -

ৰারেপাথৌ পোম্বি থৰাই নিরি ইকোক নোন্না,
শোঞ্জরুগে কোলোয়দদি থাদোই ইনীং তন্না ।
তমগে ইপোক চেক্লা চাদা শক্কে নুংশিকোলোয়
খোল্লে শাংনা খোম্থাং ৰাংনা সোনগে পেন্না থাদোই।[১৮]

ৰারী অসিগী পলোইদা নোংবানগী থৰায়না ওনখ্রবা পিথোদোই চেক্লানা থোইবীনা পুন্সিলোমখ্রবদা থাদোইগী নুংশিবনা ঙাওরদুনা কোইপাই পাইদুনা থম্মোয় শোকনা কৌরবা উরু উরুবা অমদি য়েংউ য়েংউবা পোৎ খুদিংমকপু থাদোই ওইনা উরকখিবা মশক অসিদা T. 80 Tragic love[১৯] হায়রিবা মোতিফ অসিগী মশক উবা ফংই। শৈরেং অসিগী চৎথরকইবা পরিংদা অসিগুম্লবা দৃশ্য অসিবু য়েকপদা কবিনা অসুম্না শৈথারি -

শীঙেল লৈরাং খিবিক্মক তঙাং লৈশাৎ তমজবী
লৌখি থাদোই শক্তম্মক নুংশি চেংলৌ নীংথিবী।

---

১৭. ইবিদ .(Internet)

১৮. ইবিদ , লা: ১৩

১৯ . ইবিদ .(Internet)

লৈমাই য়েংই থাদোই - ঙাক　　ইমায় য়েংই থাদোই ঙাক।
চীংমায় য়েংউই থাদোই - ঙাক　　লোক্মায় য়েংউই থাদোই ঙাক।
থাদোই চাম্মা চাম্মানি　　থাদোই লিশিং লিশিংনি,
থাদোই লখা লখানি　　থাদোই কোটি কোটিনি।[২০]

অসুন্না মথক্তা পল্লিবা মোতিফশিং অসিদদগী খ্বায়দগী মরু ওইবা শৈরেং অসিবু শাগৎলকপদা কবিনা হেন্না মীৎয়েং চঙশিনখিবা মোতিফতি T. 80 Tragic love হায়বা মোতিফ অসিদনি ।

**(খ) নুংশি ৰাখৈবা -**

'নুংশি ৰাখৈবা'কাব্য অসিসু 'অশৈবগী নিতাইপোদ' অসিগী মনুং চন্না য়াওরিবা শৈরেংনি , খণ্ডকাব্যনি। খুৎফোঙদোকসু পিয়ে থাদোই গুন্না নুংশি নুংওনগী ৰারীদা য়ুম্ফম ওইবা প্রেমকাব্যনি । মপুং ওইবা ৰারীদি অৰাবনা পোলোই ওইবা চলাম্বা অমসুং ইত্বিবেনগী নুংশিৰারীনি। কাব্য অসিগী শমলপ্পা ৰারোলদি -
চলাম্বা পোঞ্জেল নিংথৌ মুংয়াম্বগী মশাইগোন্দা শৈদাংদুনা লৈবনি। ইতিবেননা মুংয়াম্বগী অমত্তা ঙাইরবী মজাইবেম্মানি । মখোয় অনীগী নুংশিবগী খোঙচত্তা ইতিবেনগী মপাবুং ক্যাম্বানিংথৌগা শাদানমিন্নবদা ওককা শওমগা মাঙ তুং কোইশিনখ্রবদা ক্যাম্বা নিংথৌনা তাবাংদুনা থৰায় হিংলকখি। মদুদগী পেনখ্রদুনা নচা ইচা পোক্লরবদি পীনসি হায়না

২০. অশাংবম মীনকেতন সিংহ , ওব.সিট , লা: ২০

ৰাশকনখিবা লৈখিবনি । নোংমা ইতিবেন অমসুং চলাম্বনা নুংশি ৰাইথুংনসি হায়না লৈহাউ পাম্বী অমগী মখাদা ৰাশক্লখি। মদুদা লুখ্রা লৈনি খঙদবরা হায়না লৈহাউনা শাউরদুনা মাগুম্বা পুন্সি ওইয়ু হায়না শাপ তৌখি। অদুগা ইতিবেননা পাথৌ ওইবগী ৰাশকনা পুনখিবদগী ক্যাম্বগী মচানপাগা লুহোংবা তাখি। লুহোংলবা মতুংদা চলাম্বগী নুংশিববু কাউবা ঙমদবনা চাদা থক্তবনা অনা লোয়দুনা নুমিৎ মঙানিদা ইতিবেন শিখি । ইতিবেনগী পোৎলোয়নবা শীং চলামববু থিহনখি। ইতিবেননা শিরবা মতুংদা চলাম্বসু লৈহাউ পাম্বীদুদগী চোংথদুনা থৰায় থাখি। হায়রিবা লৈহাউ পাম্বী অদু য়াল্লগা ইতিবেন অমসুং চলাম্ববু মুংয়াম্বনা পোৎলোইফম মফম অনী শেমদুনা পোলোইখি। মখোয় অনীগী পোৎলোইফমগী মৈখুগী মৈরী অনীনা অহাংবা অতিয়াদা অমত্তা ওই পুনশিনখিবগী মতৌদু মুংয়াম্বনা উরবদা মথম্মোয়দা খনখি আত্মা অনীনা লাইরৈবাক্তা ত্রিশ্রমালে।

লাইরিকসিগী অনীশুবা কাব্য 'নুংশিৰাখৈবা' অসিসু কবি অশাংবম মীনকেতননা মণিপুরী ফুরুপনা চীনবুংদা লীনরিবা ৰারীগী মচাকতা মশাগী ওইবা কল্পনা শীজিন্নদুনা সাহিত্যগী মচল ওইনা পুথোরকই। চীনবুং শিল্পমগী (Verbal art) ওইবা পোৎলম অসি মীনকেতননা অইবা শিল্পমরোমদা (Written art) ওহোরকপনি । কবিনা শেমগৎলকইবা কাব্যসিগী ৰারীপরিংসিদা মীৎয়েং চঙশিন্দুনা য়েংলবদি মণিপুরী চীনবুং ৰারীগী (Narrative) মচাক মরল কয়ামরোম মরাং কায়না য়াওবা থেংনৈ। শৈরেং অসিদা য়াওরিবা চীনবুং ৰারীগী মশক অসি করম্বা মখলগী ৰারীনো হায়বা তারবদি লেজন্দদা পারসনেল লেজন্দগী ওইবা মশকনি। পারসনেল লেজন্দগী মহৌশাদা লমলমগী ওইবা মীয়াম্না শক খঙনবা মীওইশিংগা মরী লৈনবা ,হৌখ্রবা থৌদোক ৰাথোকশিংগী ৰারী ওইগল্লি। কাব্য অসিগী ৰারীদি সেলোই লংমাইগী চেংলৈ পোঞ্জেল নিংথৌগী মচানুপী ইতিবেন অমসুং পোঞ্জেল নিংথৌগী মশাইগোন্দা শৈদাংদুনা লৈরিবা মেলৈখোম্বা নিংথৌগী মচানুপা চলাম্বগা নুংশি লম্বীদা

খোঙদামিনরুগী ৱারীনি। মখোয় অনীগী নুংশিবগী খোঙচৎতা পোঞ্জেল নিংথৌনা ক্যাম্বা নিংথৌগা শাদানমিনবদা ক্যাম্বনা মাগী থৱায় কনবিখিবদগী পেনখ্রদুনা করিগুম্বদা চাদা নাওদা তারক্লবদি য়ুম্বান খোঙদোইমিন্নহনসি হায়দুনা ৱাশক্লখিবা মতাংসিনা মরু ওইবা হীরম ওইরগা পরিং শাগৎলকপদা মীনকেতননা মহাক্কী খুৎশেমগা লোয়ননা অতৈ অতৈ থৌদোকশিং হায়বদি ইতিবেননা মপাগী ৱাশক ঙাকনবা ক্যাম্বগী মচানুপাগা লুহোংবা তাখিবা, লুহোংলবা মতুং ফাওবা চলাম্বগী নুংশিববু কাউবা ঙমখিদবা , ইতিবেননা চাদ থাক্তনা অনা লাইকন্ননা নুমিৎ মঙানিদা শিখিবনচিংবা থোদোকশিং অসিনা লাইরিকসিগী মপুংফাবা ৱারীগী পরিং অমা শাগৎলকপদা মতেং পাংলি। পোলোইগী ওইবা ৱারীগী খোঙথাংদা মখোয় অনীবু পুন্না পোলোয়খিবগী থৌদোকসিদা কাব্যসি লোইশিল্লি।

মফম মতমগী মতাংদসু মসি ইকুই কুইদ্রিবা সেলোই লংমাইগী ওইবা ৱারীনি লৌনৈ। নুংশিবা হায়বসিনা ৱারীগীময়োল ওইবা অকন অথৌগী থৌনা লিংজেল অমদি অকোয়বগী ফিভমদুনা শেমগৎলকপা পারসনেল লেজন্দগী মচাক য়াওবা কাব্যনি। অদুগা কনাগুম্বা অখঙ অহৈশিংনা ৱারী অসিবু আওগী ফুঙ্গা ৱারীদা য়ুম্ফম ওইবা ৱারীনি হায়না মোত পীনবসু য়াওই ।[২১] নৈনরিবা মোতশিং অসিগা মরী লৈননা পনজনিংবদি ফুংগৱারীগী অকক্নবা মফম মতম লৈতে মসি মপূং ওইনা ভাবনা শাবা ৱারীনি হায়না লৌনরিবনি, মরম অদুনা নুংশি ৱাখৈবদা য়াওরিবা থৌদোক ৱাথোক অসি সেলোই লংমাইগী লমদমদা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোক ঙক্তা ওইনা তৌখিবনা মসিবু ফুংগাৱারীনি হায়বগী মহুত্তা লেজন্দ ওইনা লৌবদা থোইদোকনা অরানবা ওইরোই হায়নিংঙি । অদুম ওইনমক ফুংগা ৱারীগী ওইবা মচাক খরদি ৱারী অসিগী পরিং চৎথরকপা মতাং চানা য়াওশিন্দুনা লৈবা থেংনৈ। খুদম

---

২১. ডা পোলেম নবচন্দ্র ,( সম্পা)ওব.সিট, লা: ২৮

ওইনা নোংমা ইতিবেন অমসুং চলাম্বনা লৈহাউ পাম্বী অমগী মখাদা নুংশি ৱাখৈনরিঙৈদা লুখ্রা লৈনি খঙদবরা হায়না লৈহাউনা শাউরদুনা শিরাপ তৌখিবগী মতাং অমা হাপচিল্লকপসিনি। লাইহিরকসিদা অইবনা য়েকলিবা কাব্যগী দৃশ্য অদুগী থৌদোক অদু ফোঙদোকপদা পল্লিবা শৈরোল অদু মাংদা থমদুনা য়েংবা য়াই -

| | |
|---|---|
| ৱারৌখিবোই লুখ্রালৈদো | উঙৈ হেদৌ মাঙদা, |
| তৌখি শিরাপ তমথিরবা | পাম্মু নুংশি- কাদা |
| লঙুরিবা নখোয়'নীনা | লুখ্রা ঐগী কাদা |
| থুংনরনু নীংবদদি | হন্দক মপোকসিদা [২২] |

মথক্কী শৈরেংগী পরেং খর অসিদা খঙহল্লি মদুদী মতাংসিমক কবিগী ভাবনা পুশিল্লকপা পরিংগা চুন্নহন্বা ৱারোল ঙক্তনি হায়বদু । অসিদা ঐখোয়না উবা ফংইবসি ফুংগাৱারীগী মশকনি। মরমদি লৈহাউনা শিরাপ থাবগী থৌদোক অসি অঙকপা ওইনা থোকপা অকি তুজুংলবা ওইথোক্তবা থৌদোকনি। কাব্যসিগী ৱারীপরিংদা য়াওশিন্দুনা লৈরিবা থৌদোকশিং অসিদা মণিপুরী নেরেটিভসগী মচাকশিং মরাং কায়না য়াওরি। অসিগুল্লবা থৌদোকশিং অসিগী মশক লেপ্পদা ফোকলোরিষ্ট ষ্টিথ থোমসনগী মীৎয়েং চিংশিন্নদুনা নৈনবা য়াই । 'নুংশি ৱাখৈবা' শৈরেংগী ৱারী অসিবু অমুক ষ্টিথ থমসনগী মোতিফ ইনদেকসগী মীৎয়েং মতুং ইন্না য়েংলবদা ৱারী অসিদা T. Sex মোতিফকী মশক উবা ফংই । ৱারী অসিদা য়াওরিবা মোতিফশিংদি - Q T 42. conversation of lovers [২৩]

---

২২. অশাংবম মীনকেতন সিংহ ,ওব.সিট , লা: ৩৭

২৩. ইবিদ .(Internet)

পোঞ্জেল নিংথৌগী মচানুপী ইতিবেনগা পোঞ্জেল নিংথৌগী মশাইগোন্দা শৈদাংদুনা লৈবা মনৈ নিংথৌগী মচানুপা চলাম্বগা নুংশি লম্বীদা খোঙদামিন্নখিবনা মরম ওইদুনা নোংমা লৈহাও পাম্বীগী মখাদা নুংশি ৱাখৈনখিবনা লুখ্রালৈনী খঙদবরা হায়দুনা লৈহাউনা মাগুন্না পুন্সি ওইয়ু হায়না শাপ তৌখিবা থৌদোক অসিদা য়াওরিবা চলাম্বা অমসুং ইতিবেননা নুংশি ৱাখৈনখিবগী মতাং অসি T42.conversation of lovers হায়বা মোতিফকী মওং মতৌ অদুগা মান্নবা মশকনি। মসিগী মতাংদা কবিনা অসুন্না শৈথাই -

| | |
|---|---|
| নাশং থক্তা তাবহে | খুলোইদৌবা কনা লৈ, |
| তিংথৌ থক্তা কেনবা লৈ | চিল্লোইদৌবা কনা লৈ, |
| তমখি চীন্দম তাউজিংদো | চিনখি লৈদো খোয়রাংবা , |
| নুংশি ৱাখৈনখিদো | ইতিবেনগা চলাম্বা। [২৪] |

মখোয় অনীগী নুংশিবগী খোঙচত্তা ইতিবেননা পাথৌ ওইবগী ৱাশক্লা পুনখিবদগী ক্যাম্বগী মচানুপাগা লুহোংবা তাখিবা মতাং অসিদা T131.1.2.1. Girl must marry father's choice [২৫] হায়বা মোতিফকী মশক উবা ফংই। অদুগা ইতিবেননা লুহোংলবা মতুং ফাওবা চলাম্বগী নুংশিববু কাউবা ঙমখিদবগী মশক অসি T88.Love Kept up even after one of the parties is married to another [২৬] হায়রিবা মোতিফকী মন্নুংচল্লি। মতাং অসিবু কবিনা অসুন্না শৈথারি-

---

২৪. অশাংবম মীনকেতন সিংহ ,ওব.সিট, লা: ৩৭
২৫. ইবিদ .(Internet)
২৬. ইবিদ .(Internet)

শিংলে পলেম পম্ব্রৌ লমন        কোক্লে মশাই লম্মল
তোল্লিদুবু অমখক্তি        নুংশি মাগী লমন। [২৭]

ৱারী অসিগী পলোয়দা ইতিবেননা চাদা থক্তনা অনা লাইকন্ননা শিখ্রবদা চলাম্বসু লৈহাউ পাম্বীদগী চোংথদুনা থৱায় থাখিবগী থৌদোক অসিদা T. 86.2. Lover die at the same time[২৮] হায়বা মোতিফ মশক উবা ফংই । অদুগা ৱারী অসিবু খরা মনুং হুজিন্না য়েংবা মীৎয়েংরোমদা হায়রগদি ৱারী অসি অৱাবা অমসুং কায়নবনা পোলোয় ওইখিবনা T 80. Tragic love [২৯] মোতিফকী মনুং চনবা নুংশি ৱারীনি হায়বা য়াই।

**(ii)অশৈবগী জয় ভই** -

শৈরেং অসিগী শমলপ্পা ৱারোলদি -

মৈদিংঙু খুঞ্জাউববু মরাম নিংথৌনা মরামচীংদা লুরেন ককতুনা হাৎখ্রবদা মজাইবুঙো মৈদিংঙু পাইখোম্বনা মপা হাৎপগী মংশক তাননবা অমসুং মপাগী লুরেনবু অমুক হন্না কংলৈ সনাপূংদা পুরকনবা মরামচীংদা চৎখি। মহাক্না মরামচীং য়ৌরকলবদা মরাম নিংথৌগী মচানুপী ইঙাল্লৈবু

---

২৭. ইবিদ , লা: ৬৬
২৮. ইবিদ .(Internet)
২৯. ইবিদ .(Internet)

কৈগী মখুৎতগী মথৰায় কনবিখি অদুগা মরাম চীংমীশিংনা পাইখোম্ববু মৈতৈনি হায়না খঙলদুনা ফাদুনা হাৎকে হায়না তৌরকলবদা ইঙাল্লৈনা মপানিংথৌদা মাগী থৰায়বু কৈগী মখুৎতগী কনবিরকপনি হায়না হায়জদুনা পাইখোম্বগী থৰায়বু কনবিখি। মতুংদা পাইখোম্বা মরামনিংথৌ খুল্লাকপগী ময়ুমদা শৈদাংদুনা লৈখি। মৈদিংঙুনা মরামনিংথৌগী ময়ুমদা মতম খর লৈরকলবদা ইঙাল্লৈগা নুংশিমরী থমনখি। অসোমদা খুল্লাকপনা মচানুপীবু ওক্লোং নিংথৌগী মচাদা অহল লমন্না য়ানদুনা পিথ্রবদা পাইখোম্বনা অহীং অমদা মপা খুঞ্জাউবগী লুরেনবু ইঙাল্লৈগা লোয়ননা সনাকোনুং তান্না পুরকতুনা কোনুংদা মথৌ মঙম তৌখি অমসুং ইঙাল্লৈবুনা লৈমরেনগী ফম হাপ্পীখি । অসুন্না মতম খর লৈরগা নোংমা পাইখোম্বনা লান্দা লেঙখ্রিঁঙৈদা ইঙাল্লৈনা চীং নিঙোল ওইবনা মরম ওইদুনা লৈবাককী মীৰা মৈশা অমসুং লৈমকোনগী খুজিন থৌরাংনা খাংবা ঙমলকতদুনা নিংথৌনা লান্দগী হল্লকলবা মতুংদা ইঙাল্লৈনা পুন্সিগী অরোইবা য়াহিপ তানখি।

লাইরিকসিগী শমলপ্পা ৰারোল অসিদগী খঙবা ঙম্বদি অশাংবম মীনকেতনগী **অশৈবগী জয় ভাই** লাইরিক অসি নুংশি নুংঙোলগী ওইবা থৌদোক ৰাথোকতা যুম্ফম ওইরগা শাগৎপা প্রেমকাব্য অমনি হায়বসিনী । ৰারী অসিগী মপূং ওইবা চরিত্রশিংদি মৈদিংঙু পাইখোম্বা অমসুং ইঙাল্লৈনি। অশৈবা অসিনা কাব্যসিগী শৈহৌদা **নোংজাই ইচিক্কাজুমদা** হায়না মিংথোল্লি। থিমদি পুৰারীগী ওইবা ৰারীদগী লৌরকখি । মণিপুরী ইতিহাসতা খৃষ্টাব্দ ১৬৬৬ -১৬৯৭ ফাওবা পানখিবা মৈতৈ নিংথৌ পাইখোম্বগী পুন্সিগী থৌদোক ৰাথোক খরনা কুয়োম ওইরগা শাগৎলকখিবা অইবগী হৈশিংলবা খুৎইনি । অদুগা কাব্য অসিগী ৰারী অসি মণিপুরী ইতিহাসকী মচল ওইরিবা মৈদিংঙু পাইখোম্বগী পুন্সি ৰারীগা মরী লৈননা শাগৎখিবা ওইরবসু মসিবু তশেংনা ইতিহাসমক্কি হায়না লৌরুবদি য়াদে । প্রেমকাব্যসিগী মরু ওইবা থৌদোকশিংদা মচানা মপাবুং হাৎখিবগী লমন খুম্বগী মতাং

য়াওরি। তশেংনা হায়রবদা মৈদিংঙু খুঞ্জাউবা হাৎখিবগী মংশক তান্নবা মরামচীংদা খোঙশানখিবা অমসুং মরাম নিংঙোল ইঙাল্লেগা নুংশি মরী লৈনখিবনা খুঞ্জাউবগী লুরেনবু ইঙাল্লেগা লোয়ননা পুরকতুনা কোনুংদা মথৌ মঙম তৌখিবগী থৌদোকশিং অসিদা মৈদিংঙু পাইখোম্বগী পুন্সিদা লৈবাক্কী য়াইফনবগী দমক পাঙথোকখিবা থৌনা লিংজেনগী মশক উৎখিবগী ৱাফম পল্লিবসিনা হিষ্টরিকেল লেজন্দগী মচাক য়াওবা ৱারীনি হায়বদু খঙহল্লি । মরমদি হিষ্টরিকেল লেজন্দগী ৱারী অসি ইতিহাসকা মরী লৈনবা অচুম্বনি হায়না লৌনবা থৌদোকনা মপূং ওই । ৱারী অসিদা অমুকসু পারসনেল লেজন্দগী ওইবা মচাকসু য়াওবা উবা ফংই । মসিদা মৈদিংঙু পাইখোম্বগী পুন্সিগী থৌদোক ৱাথোকশিং খুদম ওইনা মহাক্না মপাগী মংশক তাননবা মরামচীংদা খোঙশানখ্রবদা মরাম নিংথৌগী মচানুপী ইঙাল্লেদা থম্মোয় পীখিবা , ইঙাল্লেসু মৈতৈ নিংথৌবু মপাগী য়েকনবনী খঙনা খঙনা থম্মোয় কৎথোকখিবনা মখোয় অনীনা নুংশি ৱাশক চেৎনখিবনা মৈতৈপূংদা নুংশি পন্থুংনখি। ৱারীসিগী মরু ওইবা থৌদোকশিংদা ইঙাল্লেগী পুন্সিনা অরোইবা য়াহিপ তনখিবা অসিসু অমনি । মসিদা পাইখোম্বগী থম্মোয়দা ফাওহৌরিবা কায়নবগী অৱাবা মৈচাক্না ৱারী অসিগী পলোয় ওইখিবা অসিনা **পারসনেল লেজন্দগী** ওইবা মচাকশিংসু কাব্য অসিদা মরাং কায়না য়াওরি হায়বা য়াই । অসিতা নত্তনা ৱারী অসিদা মৈদিংঙু পাইখোম্বগী থৌনা লিংজেল উৎপগা লোয়ননা নিংথৌ অমনা চৎকদবা লমচৎ শাজৎতা ৱাশক ঙাকপা, নুংশিবগী মফমদা হায়খিবা ৱা হোংদবা , অসিনচিংবা অকন অথৌগী মশকসু পুথোকতুনা উৎলি। ইঙাল্লেগী থম্মোয়দা চেল্লিবা নুংশিবগী মশক,নুংশিবদা থম্মোয় কৎথোকপা , নুংশিবা মাগী দমক মমা মপাগী মফমদা লঙজরুবনা পোলোইদা পুন্সি পিখমনখিবগী মশক অসিসু পুথোকতুনা মতাং চানা উৎলিবনি ।

মখাতানা অমুক অশৈবগী জয় ভাই শৈরেংগী ৱারীপরিংদা য়াওরিবা ফোক নেরেটিভগী মচলবু বৈজ্ঞানিক ওইবা মওংদা নৈননবগী দমক ফোকলোরগী নৈনমীৎয়েংরোমদা চঙশিন্দুনা মোতিফ পুথোকতুনা য়েংবা য়াই -

মৈদিংঙু খুঞ্জাউববু মরাম নিংথৌনা লুরেন ককতুনা হাৎখ্রবদা মজাইবুঙো পাইখোম্বনা মপাগী মহুৎশিন্না ফম্বাল কাখিবগী থৌদোক অসিদা P 17.0.2. Son succeeds father as king[৩০] হায়রিবা মোতিফকী মশক উবা ফংই । অদুগা মৈতৈ নিংথৌ পাইখোম্বনা মপা হাৎখিবগী মংশক তাননবা মরামচীংদা খোঙশানখিদুনা মরাম নিঙোল ইঙাল্লৈগা নুংশিমরী লৈনখিবা অমরোমদা ইঙাল্লৈনসু মপাগী য়েকনবনি খঙনা খঙনা পাইখোম্বগী মফমদা থম্মোয় কৎথোকখিবগী মতাং অসিদা T95.0.1. princess fall in love with father's enemy[৩১]হায়বা মোতিফকী মশক উবা ফংই । মখোয় অনীগী নুংশিবগী শক্তমবু কবিনা শৈরেং অসিদা অসুন্না শৈথাখি -

লৎনগনুদুবু নুংশি ঙসি ঐগী অথেল-
পাম্মু নঙ্গী নশুং লাক্লবনি ঐ ৱানা লেন
ফঙমদরে থম্মোয় ঐগী নুংশি নঙবু ঙসি,
লৌরো থারবনি খোঁঙা, লৎনরনু নুংশি ।[৩২]

মতুংদা মরাম নিঙোল ইঙাল্লৈবু অহল লমননা ও ক্লোং নিংথৌগী মচাদা পীখ্রবদা পাইখোম্বাগা অহীং অমদা ইঙাল্লৈনা সনা কোনুং তান্না চেলকখিদুনা কোনুংদা লৈমরেন ফমথোল কাদুনা

৩০. ইবিদ .(Internet)
৩১. ইবিদ .(Internet)
৩২. অশাংবম মীনকেতন সিংহ ,ওব.সিট, লা:৪৬

লৈখিবা থৌদোক অসি T131.1.3. Marriage against will of partents[৩৩] হায়বা মোতিফকী মনুং চল্লি। মসিগী মতম খর লৈরগা পাইখোম্বনা লান অমা লেঙখ্রিঙৈদা ইঙাল্লৈনা চীংনিঙোল ওইরুবনা লৈবাককী মীৱা মৈশাং লৈমকোনগী খুজিল থৌরাংনা পুন্সি পীখমনবা শিনখ্রবদা ইঙাল্লৈনা মপুরোইবনা হল্লকপা ফাওবা অৱা মৈশা কয়া খাঙদুনা ৱানা ঙাইজখিবা মতাং অসি T231 Husband (wife) sickens as result of separation from spouse[৩৪] হায়রিবা মোতিফকী মনুং চল্লি। কাব্যসিদা উৎলিবা মরীলৈনবা মতাং অমতং লৌখৎতুনা য়েকলবদা -

লৈশাৎ লোই শীঙেল মতম
কেন্সি কদায় কেনঙমদ
লৈরাংনা তরোই থাঙগুম
ফল্লি লৈবা লৈচু ওল
পুঙমদনা মহাকচাং
খাঙলুগনি কয়া কুই

লৈখোক্লিদ তন্না কম
কেনখিনুসি পুঙমদ
শীঁঙেন্না তরোই য়ানগুম
মুয়াং নিংথৌ মিংখৈসোল
তরোই তরোই তন্না খাঙ
ফমলুগনি কয়া কুই।[৩৫]

অসুন্না চৎথরকইবা থৌদোক পরিং অসিদা অরোয়বগী মতাংদা ইঙাল্লৈনা পুন্সি লোমখ্রবদা পাইখোম্বগী থম্মোয়দা ফাওখিবা কায়নবগী অৱাবা মশক অসিদা T 211.9. Excessive grief at wife death[৩৬] হায়বা মোতিফকী মশক উবা ফংই । মতাং অসি

৩৩. ইবিদ .(Internet)
৩৪. ইবিদ .(Internet)
৩৫ অশাংবম মীনকেতন সিংহ ,ওব.সিট, লা: ১৩১
৩৬. ইবিদ .(Internet)

কাব্যসিদা অসুন্না ফোঙদোকলি -

তম্লরোই তম্লরোই লৈশাৎ কদৌ থম্বান'নী
নুংশি মাবু থাঙ্মদ কোল্লি নিংথৌ তমদা দুমু,
শিঙ্গে পি মরী মরী অমুকমুক চদুম্ চদুম্
য়েংলি মায়থোং মুন্না মুন্ , য়েংলি অসুম মুন্নামুন
চোইদে মিৎফম্ অমুক্ত য়েংই মুন্না অদুম মুন্ ।
ও: কেল্লবোই কেলবোই,
কেল্লবোইদো কেল্লবোই
ও: কেল্লবোইদো লৈনুংশি,
পাম্মুই পাম্মুই লৈনুংশি
পাম্মুইদকো পাম্মুইদা -
ও পাম্মুইদকো লৈনুংশি !
কায়খিবোইদো মথম্মোয় , কপখিবোইদো উনগোইনুং
হোনখি নিংথৌ অৱাসোর - তিনখি তুমিন - খংগোন্নুং।[৩৭]

অসুন্না মথক্তা পল্লিবা মোতিফশিং অসিদগী খ্বায়দগী মরু ওইবা শৈরেং অসিবু শাগৎপদা কবিনা হেন্না মীৎয়েং চঙশিনখিবা মোতিফতি T1311. 3. Marriage against will of parents[৩৮] হায়বা মোতিফ অসিনি। মরমদি ইঙাল্লৈনা মমা মপাগী মফমদা

---

৩৭. ইবিদ , লা: ১৩৩

৩৮. ইবিদ .(Internet)

লঙজরুবগী চৈরাকনা পুন্সি পিখমনখিবনি হায়না কবি শৈরেং অসিদা অসুন্না শৈথারি -

লঙু থীনা পলেম পম্বৌ অপাম মাগী মশুং
তমদ্রবীনি নোংদমথীবী শাচ্চৌ ফানা লৈপুং।[৩৯]

মতৌ অসুন্না মথক্তা নৈনখিবা মীনকেতনগী শৈরেংগী শকত্তং শাদা অসিদগী খঙবা ঙমবদি অশাংবম মীনকেতননা মহাক্কী সাহিত্যগী খুদোলশিংদা ফোক লিটরেচরগী মচলশিংবু লিটরেচরদা হৈশিংনা শীজিন্নবগী শৈলী অসি মহাক্কী হৈনজবী কাব্যগী খুৎথা ওইনা লৈ হায়বসিনী । মনিপুরী চীনবুং সাহিত্যগী মহৌশাদা চীনবুংদা লিনরমবা ৱারীশিং অদুদগী অশৈবনা মশাগী কল্পনা, লোনগী খুৎশেম অমসুং হিন্দুগী ওইবা দর্শন হাপচিন্দুনা মাগী ওইবা মত্তংদা শেমলকপনি ।ৱারীশিংদুদা য়াওরিবা অমসুং ৱারীশিং অদুগী শক্তম শাগৎপদা চংবা মচাক (element) শিং অদু মশাগী পামজবা মত্তংদা খনদোকতুনা লৌথোরক্ই । তশেংনা হায়রবদা চীনবুংগী ওইবা লেজন্দগী টেকসশিং অদু মচেৎ মচেৎ তানা থুগাইরগা মনুংদা য়াওরমবা মচাকশিংদুনা অনৌবা সাহিত্যগী শকলোন অমা ওইনা শেমলকপনি। অসিগুম্বা খুৎই অসিদা মীনকেতনগী পুন্সি অমসুং সমাজগী অকোয়বদা মপালরোমদগী চঙশিলকখিবা ধর্মনীতি, রাজনীতি অমসুং সমাজিককী ওইবা দর্শনশিং অদু সাহিত্যগী শকলোনশিংসিদা হাপচিল্লি। মথক্তা নৈনরিবা মহাক্কী কাব্য অশৈবগী নিতাইপোদ অমসুং অশৈবগী জয় ভাই নচিংবা লাইরিকশিং অসিদা মনুংগী ওইবা শক্তমগা মিংথোলগা থোইনা মরী লৈনদে ।অশৈবনা হিন্দুগী দর্শনরোমদা পুকনিং লুপশিনখিবা অমসুং পুন্সিগী নুমিদাং

৩৯. ইবিদ , লা: ১২০

ৱাইরমদা মণিপুরী সাহিত্যদা তমলম্বা খুদোল ওইখিবনা অশৈবগী জয় ভাই হায়না মিংথোল্লি। মসিদা শীজিন্নরিবা ৱাহৈ অসিদা মণিপুরিগী ইনদিজিনিয়াস ওইবা য়েলহৌঙৈগী পরম্পরাবু থাজবা মীশক অমা ওইনা অইবগী ৱাহৈ 'অশৈব' হায়বসিনা তাকলি। **নিতাইপোদ** অমসুং **জয় ভাই** হায়বসিনা হিন্দুশিংগী মরু ওইনা বেঙ্গলী সমাজকী গৌড়ীয় বৈষ্ণব ধর্মদা পুকনিং লুপচবা মীওইশিংনা মখোয়গী ফুরুপকী লাই ( ফোক দাইতিস) নীংনরিবা গৌড়, নিতাই অনীদা চঙজবগী ৱাখল্লোন উবা ফংই। অসিগুম্বা কবিগী ৱাখল্লোন অসিদগী খঙবা ঙমবদি মনিপুরী বৈষ্ণব লাইনিংগী চৎনপথাপতা মণিপুরীগী ওইবা মত্তংদা শেম শারবা বৈষ্ণব লাইনিংগী চৎনপথাপ অমসুং সংস্কৃতিদা বৈষ্ণব অমদি বৈষ্ণবগী চৎনবী অমদি মণিপুরী পরম্পরাগী চৎনবী অনী অসি চুংশিন্নরগা অনৌবা মত্তংদা শেমলবা মণিপুরী বৈষ্ণব সংস্কৃতিগি মচলশিংনি হায়বদু খুৎফোঙদোক অসিনা তাকই । মরম অসিনা ওইবা য়াই মদুদি কবি অশাংবম মীনকেতন ২০ শুবা চহীচাগী লোইরমদাইদা লৈরমবা মীশক অমা ওইরবসু মণিপুরী পরম্পরাগী ওইবা ৱারীশিংবুনশিং, সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতি অসিনচিংবদা পুকনিং লুপনা থিজিনজবা মীশক অমা ওইবতা নত্তনা মণিপুরীগী হৌখ্রবা অমসুং মাগী মতমগী চৎনবীগা পুনশিন্নদুনা অনৌবা মশক শেমবা ঙমবা মীশক অমনি হায়বদা হায়মনবা থোকলোই।

## ৪.৩.২ মীনকেতনগী শৈরেংদা ফোকটেল

মীনকেতনগী শৈরেংদা ফোক নেরেটিভসগী শকলোনশিংদগী লেজন্দগী অসি মহাক্কী শৈরেংগী থিম অমসুং করেক্তরদা লৌদুনা শীজিন্নে। করিগুম্বসু নেরেটিভগী মনুংচননা

লৈরিবা ফোকটেলগী শরুক অসিদি য়াম্না লিকনা শীজিন্নৈ হায়বা য়াই। মহাক্কী শৈরেংশিং অসিদা তশেংনা মানদবা, থোককী হায়না থাজবা য়াদবা ভবনা শাবা মতৌ মানবা থৌদোক ৱাথোকশিংদি মরাং কায়না য়াওরি । খুদম ওইনা **'পিয়ে থাদোই'** শৈরেংদা নোংবানগী থৱায়না পি থাদোই চেক্লা ওন্না পোকলিবা অমসুং মালেম শিনবা থুংনা কোয়পাই পাইদুনা থাদোই থাদোই হায়না ঈখৌ লাংনা কৌজরিবা থৌদোক অসিদা মিরমলেন (Human World) অমসুং শারমলেন (Animal world)অনী শন্নবগী মতাংদা ফোকটেলগী ওইবা মশক উবা ফংই। মরমদি স্ট্রাকচরদা মরু ওইবা চরিত্রশিংনা ওইথোক লোয়দৌবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোকপা , মীওইবগী সংসারগা ফোকটেলগী মনুংচন্না য়াওরিবা চরিত্রশিং অদুগী সংসারগা পুনশিন্ননা চৎমিনহনবা অসি ফোকটেলগী মরু ওইবা শাজৎ ওইনা ফোকলোরিষ্টশিংনা লৌনৈ। মীনকেতনগী শৈরেং অসিদা য়াওরিবা নোংবানগী চরিত্র অসিনা মীরমলেনগী ওইবা সংসারদগী থোরকলগা অতোপ্পা সংসার অমদা লৈদুনা থবক থৌরম কয়ামরোম পাঙথোকপগী দৃশ্য উৎলিবনি। মথংদা অমুক **'নুংশি ৱাখৈবা'** শৈরেংদা য়াওরিবা লৈহাওনা শিরাপ থাবগী থৌদোক অদু তশেংনা মানদবা, থোককী হায়না থাজবা য়াদবা, ওইথোক ওইদৌবা থৌদোক ওইবনা মতাং অসিদা ফোকটেল মশক য়াওরি ।